HUEIYEN LANPAO®
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ




লামায় ৪

কে ভি কে উৎলৌগী কনফরেন্স হোলদা মাইক্রোবিয়েল ইনোকুলেন্টস ইন হোর্টিকলচরেল ক্রোপসকী মতাংদা পাঙথোকখিবা স্কিল দিভেলপমেন্ট ট্রেনিং প্রোগ্রামদা স্প্রে অমদি মরূ-মরাং য়েন্থোকখিবা

**লৌমী লুপশিংনা কৌরিবা ভারত বন্দ শৌগৎলি**
☛ লামায় ৫

**শিল্লোংদা লাই হরাওবগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরি**
☛ লামায় ৪

**এইমসকী নৌনা থৌ পুগদবশিং ৱাশক লৌখ্রে**
☛ লামায় ৪

**মণিপুরীশিংগী আইদেন্টিটি অমসুং কলচর মাঙহনবগী থৌওংনি**
☛ লামায় ৩

নেপালদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা য়েলহৌ ঙা পুথোকপগীদমক নেসনল অমদি ষ্টেটকী এৱার্দ কয়ারক ফংখ্রবা সোইবম সুরচন্দ্রদা ফিশরিজগী ইন্টরনেসনল লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ খূৎশিন্নখিবা



লামায় ৩


Vol. 45, Issue No. 003 | ইরাই, লমতাগী ১৩নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Friday, March 26, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## বন্দ হন্দোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২৫ (ঐচএনএস):
কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (কে এস ও)না ঙসি মণিপুর লৈঙাক্কী মীহুৎশিংগা ত্রাইবেল এফেয়র্স এন্দ হিলসকী মিনিষ্টরগী ওফিস চেম্বরদা ৱারী শানরবা মতুংদা পুং ৪৮গী বন্দ কৌগনি হায়না থৌরাং তৌরম্বা অদু হন্দোকখ্রে। মণিপুর লৈঙাক্কী টি এ এন্দ হিলস মিনিষ্টরগী ওফিস চেম্বরদা লৈঙাক্কী মীহুৎশিংগা কে এস ওগা ৱারী শানরবা মতুংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থাজবা পীরকপদগী বন্দ তৌবগী ৱাফম অদু হন্দোকখিবনি হায়রি।

## সী বি আইনা কেস লৌখৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২৫ (ঐচএনএস):
মশাগী শেন্থোক্কা চান্নদবা মওংদা লন-থুম লেপশিল্লন্মী হায়বগীদমক সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ কষ্টমসকী মথক্তা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে।

কষ্টমসকী ওফিসল অদুনা কুমজা ২০১৮গী জন্যুৱারী ১দগী কুমজা ২০২০ গী দিসেম্বর ৩১ ফাওবদা মশাগী শেন্থোক্কা চান্নদবা মওংদা লুপা লাখ ৫৬.৭৫ রোমগী লন-থুম লেপশিল্লম্বনি হায়রি। ওফিসল অসিগী ময়ুমদা ঙসি সী বি আইনা থিবা হুম্বগী থবক চখুবদা শেল ওইনা লুপা লাখ ১০.৫৯, লুপা লাখ ১৫ রোমগী সনা, বেঙ্ক একাউন্ট ৪, এল আই সীগী পোলিসী ১৫ লোয়ননা ইংখোল অমসুং লৌফম কয়া লৈবগী চে-চাং অমদি ফাইনান্সিএল ইনষ্টিট্যুসন খরদা ইনভেষ্ট তৌবগী দোক্যুমেন্ট ফংবা ঙমখি। হীরম অসিগী মতাংদা মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন চখুবা হৌরে হায়রি।

## প্রো. টি তিরুপতি রাওবু চাঞ্চেল্লর ওইনা হাপ্লক্লে

ইম্ফাল, মার্চ২৫ (ঐচএনএস):
মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসনগী দিপার্টমেন্ট ওফ হায়র এদ্যুকেসনন ওসমানিয়া য়ুনিভর্সিটিগী হান্নগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রো. টি তিরুপতি রাওবু মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী চাঞ্চেল্লর ওইনা হাপ্লক্লে। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি এক্ট ২০০৫গী ষ্টেচ্যুট ১গী মতুংইন্না প্রো. টি তিরুপতি রাওবু এম য়ুগী চাঞ্চেল্লর ওইনা এপোইন্ট তৌরে হায়বা ৱাফম অদু মিনিষ্ট্রি ওফ হায়র এদ্যুকেসনগী মায়কৈদগী এম য়ুগী রেজিষ্ট্রারদা অইবা চেরোল থারক্নুনা খঙহল্লকখ্রে।

### HL Poll

Q: Yaoshang kumhei loiraba tungda manipurda Covid-19gi case thengnabagi chang hengatlakani haibagi thajaba leibra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Pradhan mantri awas yojnagi makhada yum leitabasinggi yum sagani haina thourang paikhatkhibadu mapung fana mai pakle haina khanbra?

Yes 90% No 10%

### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৮.০০ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৪.০৮ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : নিল
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.১২
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.২৮

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

### অস! লোইরেহে!

- করিনো মহন্ত নঙনা নুপীদা পুংপুদা পুশিল্লক্লিবসে?




# কোর্টনা নন বেলেবল ৱারেন্ট ইস্যু তৌখ্রবা নারেংবম সমরজিৎ দেল্লী এয়রপোর্টতা ফারে

## মণিপুরদা পুরক্লবগীদমক ত্রাঞ্জিৎ রিমান্দ লৌনবা ঙসি কোর্টতা পুথোক্কদৌরি

**মাইবম ধনবির**

ইম্ফাল, মার্চ২৫ (ঐচ এন এস):
ওক্টোবর ২৯, ২০১৯দা লন্দনদা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা মণিপুর ইন্দিয়াদগী তোঙান তারে অমসুং মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল শেল্লগা মশাবুনা কাউন্সিল অদুগী দিফেন্স মিনিষ্টর ওইরে হায়দুনা লাউথোকখিবদা য়াওখিবা তেরা লৌক্রাকপম লৈকায়দগী নারেংবম সমরজিৎ (৪৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন জুগিন্দ্রো ঙসি অয়ূক অঙনবদা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ) গী অখন্নবা টিম অমনা দেল্লী এয়রপোর্টতা ফারে।



মহাকপু এন আই এগী ওফিসর অমনা লুচিংবা স্পেসল টিম অমনা ফারে হায়বগী পাউ ফংবগা পন্থদনা পাউচে অসিনা থৌদোক অসিগী মতাংদা চথুখিবা অখন্নবা ইনভেষ্টিগেসন অমদা ফংলকখিবা রিপোর্টশিংনা হায়, ঙসিদগীনা চহী অমা মখায়রোমগী মমাঙদগী য়ুনাইটেদ কিংদমগী কেপিটেল সিটি ওইরিবা লন্দনগী মফম অমদা লৈরকখিবা মহাক ঙরাং (মার্চ ২৪, ২০২১) গী অয়ূক পুং ৮.৪৫গী এয়র ইন্দিয়াগী ফ্লাইট অমদা লন্দনদগী ন্যু দেল্লীগী ইন্দিরা গান্ধী ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট তম্না পাইরকখিবা ফ্লাইট অমদা তোংলকখিবনি। লন্দনদগী দেল্লী তম্না পাইরকখিবা ফ্লাইট অদু ঙরাং নুমিদাং পুং ১১ খরা হেল্লকপদা থুংলগদবনি। অদুম ওইনমক খজিক্তং থেংথখিবদগী ঙরাং অহিং নোংয়াই পুং ১২ তাশিল্লকপা তাঞ্জাদা মহাক এয়রপোর্ট অসিদা থুংলখি।

হৌজিক মালেমগী মফম পূম্নমক্তা কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক মায়োক্ন রিবশিংগী মনুংদা য়ুনাইটেদ কিংদমসু য়াওবদগী মহাক লন্দনদগী এয়র ইন্দিয়াগী ফ্লাইট অদু তোংলমদাইদসু কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌবগা লোয়ননা মথৌ তাবা ফোর্মেলিটি পূম্নমক পাঙথোরকখি হায়রি।

মহাক অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা তেরা খোঙশাংবী লৈস্রাম লৈরক্তগী য়াম্বেম বিরেন (৬৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা ৱাই থম্বালঙৌগী মায়কৈদগী লন্দনদা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অদুদা লাউথোকখিবা ৱাফমশিং অদুদগী মখোয় অনী য়াওনা সলাই অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী থৌ পুবা খরগী মথক্তা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎলবা মতুংদা মদুবু এন আই এ (গুৱাহাটি) দা খূৎশিন্নখিবদগী কেস অদুদগী মীরোৎ ওইরে হায়বগী ৱাফম মশানা খঙলগসু মহাক্না ঙরাং লন্দনদগী দেল্লী তম্না লাকখিবা খোঙচৎতা শাশিন্নবা নৎত্রগা শেমজিন-শাজিনবা মমিং-মথা শীজিন্নদুনা লাকখিদে। মহাক্কী অশেংবা মিং, অপোকপগী মমিং অমসুং লৈফম্নচিংবা লোৎশিন্দনা চপ চানা হায়দুনা লাকখি।

দেল্লী এয়রপোর্টতা থুংলবগা পন্থদনা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# সী এম বিরেননা কছারদা চৎতুনা বি জে পি মীরেপকী ভোট খোমখ্রে

# ‘চহী ১গী মনুংদা মণিপুরীশিংগী করি প্রোটেক্সন লাকপগে হায়বদু য়েংবীয়ু’

ইম্ফাল, মার্চ২৫ (ঐচ এন এস):
অসাম লেজিসলেটিভ এসেম্বলি মীখলগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা কছারদা চৎতুনা মণিপুরী কয়া খুন্দারিবা লখিপুর এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা কৌসিক রাইগীদমক ভোট খোমখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ইম্ফালদগী হেলিকোপ্টর তোংদুনা কছারদা চৎলগা লখিপুর এ সীগী মনুং চনবা অশ্রা ফিল্ডদা পাঙথোকখিবা বি জে পিগী মীরেপ কৌসিক রাইগী মীখলগী কেম্প্যেন্দা শরুক য়াখিবনি। মীখলগী কেম্প্যেন অদুদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেন, এম এল এ, এল রামেশ্বর, এম এল এ, এল সুসিন্দ্রো অমসুং এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎসু শরুক য়াখি।




মীখলগী কেম্প্যেন অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, অসামদা বি জে পিগী লৈঙাক অমুক হন্না শুংশোয় শোয়দনা হল্লক্লগনি। মফম অসিদা মাইনোরিটি ওইনা লৈরিবা মণিপুরীশিংগী ষ্টেটস ঙাক্তুনা থম্বা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। অসামদা বি জে পিগী লৈঙাক অমুক হল্লক্লবা মতুং চহী অমগী মনুংদা মফম অসিদা খুন্দারিবা মণিপুরীশিংগী করি প্রোটেক্সন লাকপগে হায়বদু য়েংবীয়ু। মফম অসিদা লৈরিবা মণিপুরীশিংগীদমক খল্লগা মফম অসিদা লাকপনি। এ সী অসিদা মীরেপ ওইরিবা থোইবগী মায়োক্তা ভোট খোম্বা লাকপা নত্তে। থোইবদা বি জে পিগী টিকেট পীবিনবা ঐহাক খক নত্তনা এম পিশিংনসু তকশিনখি। অদুবু পোলিটিকেলগী ফীভমনা থোইবদা বি জে পিগী টিকেট পীখিদে। অতোপ্পা ষ্টেট অমগী থবক থৌরমদা কা হেন্না খূৎ থিংজিনবসু নুংঙাইতে। হায়বা য়াবমখৈদি হায়খিবনি। অদুবু ফংদ্রবনিনা ঐহাক্কী ইথৌদি পার্টিগী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌদুনা পার্টি অসিগী মীরেপ মায় পাকহনবা অদুনি।

অসাম পব্লিক সর্ভিস কম্মিসনগী এগজামদা মণিপুরী লোলদা এগজাম থাবা য়াননবা অমদি মণিপুরীশিং প্রোটেক্ট তৌনবা থৌরাং শোয়দনা লৌখৎলক্কনি। ওটোনোমস কাউন্সিলগী মতাংদসু করিগুম্বা ৱাফম খরদি শোয়দনা লাউথোরক্কনি। মরম অসিনা এ সী অসিদগী বি জে পিগী মীরেপ কৌসিক রাইবু মায় পাকহনবীয়ু। মহাকপু মিনিষ্টর ফংননবসু তক্কগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## মণিপুরদা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা মীওই লিশীং ৮৪ হেনখ্রে

### এপ্রিল ১দগী চহী ৪৫গী মথক্তা লৈবা মীওইশিং কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পগী থবক হৌননবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২৫ (ঐচ এন এস):
মণিপুরদা হৌখিবা জন্যুৱারী ১৬তগী মার্চ ২৫ ফাওবদা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা মীওই লিশীং ৮৪ হেনখ্রে।

কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী মতাংদা ফংবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না মণিপুরদা মীওই ৮৪,২৩৫ কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপখ্রে। মীওই ৮৪,২৩৫ অসিগী মনুংদা মীওই ২৮৮০৫দি অনীশুবা দোজসু কাপখ্রে। ভেক্সিন কাপখ্রবশিং অসিগী মনুংদা হেল্থ ক্যের ৱার্কর ৩১,৪৫৭, ফ্রন্ট লাইন ৱার্কর ৫১,৫১০, চহী ৪৫দগী ৬০ ফাওবগী মনুংদা কোমোর্বিদিটিজ লৈবা মীওই ২৩৩ অমসুং চহী ৬০গী মথক্তা লৈবা মীওই ১০৩৫ য়াওরি।

অমরোমদা হেল্থ সর্ভিসেসকী দাইরেক্টর অমসুং কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কোর কম্মিটিগী চেয়রমেন ডা. কে রাজোনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমনা ষ্টেট অসিদসু এপ্রিল ১দগী চহী ৪৫ অমদি মসিগী মথক্তা লৈবা মীওইশিংদা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পগী থবক হৌননবা চীফ মেদিকেল ওফিসরশিং, দিষ্ট্রিক্ট ফেমিলি ৱেলফেয়র ওফিসরশিং, দিষ্ট্রিক্ট ইম্যুনাইজেসন ওফিসরশিং অমদি প্রাইভেট হেল্থ ফেসিলিটিশিংগী মেনেজিং দাইরেক্টরশিংদা খঙহনখ্রে।

নাকল অমরোমদা, কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ূম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা নুপী ৩ অমসুং নুপা ২ পূন্না জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৫ নৌনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। পোজিটিভ কেসশিং অসি শিজ ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## ফিশরি লোইশঙগী রিক্রুটমেন্ট নোটিফিকেসনগী অরানবশিং চুমথোক্নবা হায় কোর্টনা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২৫ (ঐচএনএস) :
মণিপুর লৈঙাক্কী ফিশরি দিপার্টমেন্টনা লোইশঙ অসিগী ফিশ দেমোন্সত্রেটর অমসুং ফিশরি ফার্ম মেনেজরশিং লৌনবগীদমক মার্চ ১০, ২০২১দা দাইরেক্টোরেট ওফ ফিশরিজনা থোকখিবা রিক্রুটমেন্ট নোটিফিকেসন্দা অশোয়বা-অরানবশিং য়াওরে হায়দুনা তোঙান তোঙানবা পিটিস্নর তরুকনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলকপদগী কোর্ট অসিনা ৱাকৎ অদুগী মতাংদা খন্নরবা মতুংদা থোকখ্রিবা নোটিফিকেসন অদুদা অশোয়বা/অরানবা য়াওরে হায়বসি খঙবগা লোয়ননা অরানবশিং অদু শোয়দনা চুমথোক্কদবনি অমসুং অরানবা ইসেন্সিএল ক্বালিফিকেসন অদুগী মতুংইন্না এপ্লাই তৌরকপা মীওই অমত্তা পোষ্ট অনী অসিগী রিক্রুটমেন্ট প্রোসেসতা য়াওহনবা য়ারোই হায়না ওর্দর পীখ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা পিটিস্নর তরুকনা ফাইল তৌরকখিবা সিভিল রিট পিটিসন অদুগী নম্বর ২৯২ ওফ ২০২১নি। পিটিসন অসি কোর্ট অসিনা লৌখৎতুনা জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী বেঞ্চনা থা অসিগী ২৩দা খন্নখিবনি। মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নর তরুক্কী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল মাইবম হেমচন্দ্রনা লেপখি। অদুগা রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদনা গভর্ণমেন্ট এদভোকেট টি ঐচ সুকুমারনা লেপখি।

কোর্টনা পার্টি অনীমক্কী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল অমসুং গভর্ণমেন্ট এদভোকেট অনীগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা পীখিবা ওর্দরনা হায়বদা পার্টি অনীমক্কী কাউন্সেলশিংনা মেট্টর অসি মোসন ষ্টেজমক্তদা দিস্পোজ তৌবা য়াবা পিটিসননি হায়নসু ফোঙদোক্লখি হায়রি।

পিটিস্নরশিংনা ৱাকৎলক্লিবনা ফিশরিজ লোইশঙগী মরী লৈনবা রিক্রুটমেন্ট রুলগী মতুংইন্না ফিশ ফার্ম মেনেজর/ফিশরি দেমোন্সত্রেটর হায়রিবা পোষ্টশিং অসিগী ইসেন্সিএল এদ্যুকেসনল ক্বালিফিকেসন অসি বি এস সী (জুলোজি) ওইবগা লোয়ননা ফিশরি সাইন্সতা শকখঙলবা ইন্সটিট্যুসন/য়ুনিভর্সিটি নৎত্রগা ইনলেন্দ ফিশরি দিভলপমেন্ট এন্দ এদমিনষ্ট্রেসন, লম্ফেলদগী ফিশরি সাইন্স/সর্টিফিকেট কোর্সতা য়ামদ্রবদা চহী অমগী দিপ্লোমা পাস তৌরকপা ওইগদবনি হায়বসিনি।

অদুবু দাইরেক্টোরেট ওফ ফিশরিজনা হায়রিবা পোষ্টশিং অসিগী মথংশিংনা মীওই অহুম অমসুং অনী লৌনবগীদমক মার্চ ১০দা থোকখিবা নোটিফিকেসন অদুদা রিক্রুটমেন্ট রুলদা য়াওদুনা লাক্লবা তঙাইফদবা ক্বালিফিকেসনশিং অদুদগী ফিশরি দেমোন্সত্রেটর অমসুং ফিশ ফার্ম ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## স্কুল সিলেবসতা দ্রগ শীজিন্নবা থিংবগী ৱাফম য়াওহন্নবা ৱারেপ্লখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২৫ (ঐচ এন এস):
মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসননা শীন্দুনা ইনকোর্পোরেসন ওফ দ্রগ য়ুজ প্রিভেন্সন ইন স্কুল সিলেবস হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী কনভেন্সননা স্কুল সিলেবসতা দ্রগ শীজিন্নবা থিংবগী ৱাফম য়াওহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ কেমিষ্ট্রিগী প্রোফেসর এন রাজ মোহোননা মোদরেটর ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী কনভেন্সন অদুনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়াসু লৌখি। ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা ক্লাস সিক্সতগী হৌনা লাইফ স্কিল এদ্যুকেসন য়াওহনবা; দ্রগকী চৈথেং কোকহন্নবগী ৱাখল্লোন্দা স্পোর্টস অমদি ফিজিকেল এক্টিভিটি মরু ওইনা লৌবা; নাটকী ওইবা চৎনদুনা লাক্লবা থৌওংশিং অমদি লাইনীং-লাইশোনগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং সিলেবসতা য়াওহন্দুনা এদিক্সন্দগী লাপথোকহন্নবা হোৎনবা অমসুং মরুপ-মপাং ইথিল পীরকপদা চঙহন্দনবগী সোসল রেজিষ্টেন্স স্কিল য়াওহনবগা লোয়ননা মীদিয়া অমদি কোগনিটিভ দিভলপমেন্ট তৌহন্নবা হোৎনবা হায়বসিনি। ৱারেপশিং অসি মরী লৈনবা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টতা পীশিন্দুনা মখা তাবা থবক লৌখৎহন্নবা হোৎনবা হায়নসু য়ানখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইকনমিক্সকী এসোসিএট প্রোফেসর ডা. চীংলেন মাইস্নাম, সোসল এক্টিভিষ্ট ডা. ধনবির লাইশ্রম, রিমসকী এসোসিএট প্রোফেসর ডা. সেঞ্জম গোজেন্দ্রো, দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী দিপার্টমেন্ট ওফ পোলিটিকেল সাইন্সকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. অরাম্বম নোনি, ক্লিনিকেল সাইকোলোজিষ্ট রাজকুমারি ধনপতি, ক্লিনিকেল সাইকোলোজিষ্ট পাওনম থোইবী অমসুং মোইরাং কোলেজগী দিপার্টমেন্ট ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## ৪১শুবা রেদ আর্মি অপরাইজিং দেগা মরী লৈননা এম এ সীগী চেয়রমেননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ২৫ :
পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী লান্মী শঙলূপ রেদ আর্মিগী ‘৪১শুবা রেদ আর্মি অপরাইজিং দে’ না লাকপদা লোনা অথিংবা থমখ্রবা প্রিপাক্কী মিলিটরি এফেয়রস কম্মিটি (রেদ আর্মি) গী চেয়রমেন কে ঐচ শাথীনা য়াওলগী ইকায়খুম্নবা উৎলকপগা লোয়ননা নিংতম য়াওল ঈহৌগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

প্রিপাক্কী মিলিটরি এফেয়রস কম্মিটি (এম এ সী), রেদ আর্মিগী চেয়রমেন কে ঐচ শাথীনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোল অদুনা হায়, কংলৈপাক অমদি ৱেসিয়া লমদমদা য়াওল তৌমিন্নরিবা য়াওল্লুপশিংগী লান্মী শঙলূপ পূম্নমক্তসু য়াওলগী য়াইফ পাউজেল পীজরি। অসিগুম্বা কংলৈপাক্কী নীংতম য়াওল ঈহৌগী পুৱারীদা শিংথানীংঙাই ওইরিবা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা ৱাফম খরা থমজবগা লোয়ননা লৈবাক মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি । মালেমগী চৎন-কাঙলোন কয়াবু থুগাইদুনা ইন্দিয়ানা কংলৈপাকপু নমদুনা লৌশিনখ্রবা মতুংদা মশক নাইবা ফুরুপ অমা ওইনা অমুক হন্না হৌগৎ-কাংখৎপা ঙমদনবা থবক থৌরম কয়া লেপ্তুনা লোইলম লৈঙাক অসিনা ঙসি ফাওবা চথুরি। কুমজা ১৯৫০গী নবেম্বর ১৮দা ...মখা লামায় ৩ কলম ২





HL-B/6873/24/3-27/4




HL-B/6878/25-28/3